ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

হুয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

চাওখৎ থৌরাং কাঙলূপ অমসুং মৈরা পায়বীগী অপূনবা লূপনা খূৎশম্নরগা সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা তেংবাঙগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

এমসু তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী হরাওবুংদা ৫৫রকশুবা হঙ্গর মার্চর্স দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপা

এমসু জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনসু কম্মিটি অসিগী ওফিসতা ৫৫শুবা হঙ্গর মার্চর্স দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা ইমুং ৪০ খনগৎলগা 'এস কুল্লা ৱিমেন্স কোলেজ সপোর্ট ফোর কোভিদ পেন্দেমিক'না অনীশুবা তাঙ্ককী ওইনা শেল অমদি চান-থক্নবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবা

Vol. 44, Issue No.153 | ইরাই, লাংবনগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, August 28, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

লোকদাউন ভাইয়লেটরনি হায়বশিংদগী ফাইন লৌরে হায়বগী পি আই এল

মণিপুর হায়কোর্টনা ভর্চ্যুয়ল কোর্টশিং অমসুং ঈ-চল্লান গেটৱে শেম্নবা দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :

মণিপুরদসু কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক কন্ত্রোল তৌনবগীদমক লৈঙাক্লা লোকদাউন থমদুনা চৎনহল্লিঙৈগী মনুংদা পুলিস পর্সনেলশিংনা অথিংবসি ভাইয়লেট তৌবনি হায়বগী মীংদা মীচম মীয়াম্বু হরাসমেন্ট পীদুনা লিমিট লৈতবা ফাইনশিং ইম্পোজ তৌরে নৎত্রগা মরম চাদবা ফাইন থিহল্লে হায়বগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগী ওর্দরদা হায়কোর্টনা পিটিসনসিদা ষ্টেটকী মায়কৈদা রেসপোন্দেন্ট ওইরিবশিংদা ভর্চ্যুয়ল কোর্টশিং অমসুং ঈ-চল্লান গেটৱেশিং শেম্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

পি আই এল অসি আর কে জয়সনা (৬৬), অপোকপা লৈখিদ্রবা আর কে সনাতোম্বা, মোইরাংখোম সৌগাইজম লৈরক অমসুং অচোম রেনবো মৈতৈ (২৬), অপোকপা এ তেজকুমার মৈতৈ, ৱাঙ্খেং য়োংলান লৈরক্তা লৈবনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিস্নরশিংনা পি আই এল অসিদা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা চীফ সেক্রেটরি, দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) মণিপুর, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবালগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর (দি সী) শিং, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্টশিং অমসুং ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এস দি এম ও) গী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরমেননি।

পিটিস্নর অনীগী পি আই এল নম্বর ১৫ ওফ ২০২০ অসি হায়কোর্টকী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা থাসিগী ২০দা অমুক হন্না লৌখৎতুনা হিয়ারিং পাঙথোল্লগা মসিগী ওর্দর পীরকখ্রে।

দিভিজন বেঞ্চনা কেস অসি লৌখৎতুনা খন্নরকপদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রগী জুনিয়র কাউন্সেল জুনো রহমননা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা লেপ্তুনা তৌখিবা সবমিসনশিংদা লোকদাউন ভাইয়লেটর হায়বশিংদগী ফাইননি হায়দুনা মীয়ামদগী শেল লৌরিবসি মখোয়গী পর্সনেল গেনগীদমক লোগী প্রোসিজরশিং য়াওদনা চথবা থৌওং ওইবনা চুমদবা অমসুং পৱারবু লান্না শীজিন্নবা থৌওংনি হায়খি।

পুলিস দিপার্টমেন্টনা নোটিফাই তৌবগী ন্যুজপেপর ক্লিপ্পিংশিংগী মতুংইন্না লোকদাউন ভাইয়লেটরশিংনি হায়বশিংদগী লুপা লাখকী মথক্তা ফাইন ওইনা লৌরে। অদুগা অসুম্মাইনা কলেক্সন তৌখিবা শেনয়াম অসি মতৌ করম্না য়ুটিলাইজ তৌবনো হায়বগী মতাংদসু মীয়ামগী পূক্নিংদা চমন্নবা পোকহল্লে হায়বা ৱাফমসু থমখি। লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস পর্সনেলশিংনা মখোয়গী পৱার মিসয়ুজ তৌরে হায়বা ৱাফমসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

পিটিস্নরশিংগী কাউন্সেলনা সবমিট তৌরকপা ৱাফমশিং অসিগা মরী লৈননা এদভোকেট জেনরেল নাওরেম ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

কোনরাদ : পার্টিগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবগী থাংমিনলিয়ন তান্থোকপনি

'এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্টপু কনাগুম্বনা লান্না লমজিংলে'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস) :

নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা থাংমিনলিয়ন কিপগেন পার্টি অসিগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্তবগী তান্থোকপনি হায়না এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ কে সংমানা ফোঙদোকখ্রে।

এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমানা হায়খি, থাংমিনলিয়ন কিপগেন অমদি এন পি পি ষ্টেট য়ুনিটকী মীওই মরি পার্টি অসিগী কনষ্টিট্যুসনগী ৱাংমদা থবক তৌবগী তান্থোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। কাঙলোন কায়না ইলেক্সন তৌদনবা খঙহনবা লৈখি। সো কোজ নোটিশসু থাখি। প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল তৌশিনবগা লোয়ননা খল্লে হায়নসু লাউথোকখি। ৱার্নিং তৌরবা ফাওবা পার্টি অসিগী কনষ্টিট্যুসনগী ৱাংমদা থবক তৌশিল্লকপগী তান্থোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ২৪দা ষ্টেটসিগী ফিশরি মিনিষ্টর ওইরিবা এন কাইসিবু এন পি পি মণিপুরগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লে হায়না নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমানা চেরোল থোকখিবা লৈখ্রবনি। চেরোল অসি থোক্লবা মতুং থা অসিগী ২৫ দা থাংমিনলিয়ন কিপগেনবু এন পি পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইনা অমুক হন্না খল্লে লাউথোকপগা লোয়ননা তরাম্না ওকপগী থৌরমসু পাঙথোকখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

অমরোমদা, এন পি পি মণিপুর ষ্টেট ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

এক্সিদেন্টতা ২ শিরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :

নেসনল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী নুংবা অমদি রেংপাংগী লোন্নবা মফম অমদা অঙৌবা মচুগী বোলেরো অমা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা লোক্তা তাশিনখিবদা নুপা অমগা নুপী অমগা শিরে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুগী মনুংদা নুপী অদুদি অধার কার্দতগী মশক মমিং খঙবা ঙম্লে। অদুবু নুপা অদুদি হৌজিক ফাওবা মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রি। লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং দিমজাহৎ ৱাইফৈ (৮৩) মপুরোইবা থাংতিনলেন ৱাইফৈ কৌই। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু দামপিদগীনি হায়রি।

মপান্দা চৎলুদবা ১১৯ য়াওনা ১৪০ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :

হৌখিবা পুং ২৪দা মপান্দা চৎলুদবা মীওই ১১৯ য়াওনা মীওই ১৪০ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনংখ্রে। লায়না অসিনা নাবদগী লায়েংদুনা লৈরকখিবা মীওই ১২৮ ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমগী স্পোক্সপর্সনসু ওইরিবা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টর ডো. খোইরোম সশীকুমার মঙাংনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী ওইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী নুপা ৭৫, নুপী ৪৭ অমসুং সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ১৮ য়াওরি। রিমসকী ভি আর দি এলদা কেস ১২, জেনিমসকী ভি আর দি এলদা ১৯, থৌবালদা ৮, চুড়াচান্দপুরদা ২, ইম্ফাল ইষ্ট আর এ টিদা ৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট আর এ টিদা ৭৩, আই আর এলদা ১, কাংপোকপীদা ২, শিজ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

প্রেক্টিশ তৌদনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :

রিমসকী ডোক্টরশিং প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদি ক্লিনিকশিংদা প্রেক্টিশ তৌবা য়ারোই হায়না ইন্সটিট্যুট অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা হায়, ডোক্টরশিংনা প্রাইভেট হোস্পিটালদা প্রেক্টিশ তৌরুবনা কোভিদ-১৯গী লায়না লৌনরগা রিমসতা শন্দোরকপা য়াই।

ওন্ত্রপ্রেনিয়রশিংগী প্রমোসন পোলিসি লৈহনবীনবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :

টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ঙসি য়ুনিয়ন কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়লগা ৱারী শানদুনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা ওন্ত্রপ্রেনিয়রশিংগী প্রমোসন পোলিসি অমা শেম্বীনবা ৱাফম পুখৎখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ঙসি 'অত্মানির্ভর ভারত' কী পান্দম ফংনবগী ৱাখল্লোন্দা 'ৱান দিষ্ট্রিক্ট ৱান প্রদক্ট' হায়বা ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইরগা ষ্টেট পূম্নমক্কী ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টরশিংগা ভিদিও কনফরেন্সতা ৱারী শানখি।

সেক্রেটরিএটতা লৈবা মশাগী ওফিসতগী মিনিষ্টরনা ভিদিও কনফরেন্সকী খূথাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগা ৱারী শানদুনা ৱাফম অসি পুখৎখিবনি। ভিদিও কনফরেন্স অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ষ্টেট তরুক্তা জিওগ্রাফিকেল ইনফোর্মেসন সিষ্টম ওনলাইন ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

মোংশাঙ্গেগী ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্টতা অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নরগা ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী থবক পায়খৎকনি : সী এম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি কৈশাম্পাৎতগী হৌরগা পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লগা থোং নম্বোনবী ফাওবা নম্বুল তুরেলগী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

নম্বুল তুরেল মপান্দা মহাক্না ৱাহেংবম লৈকায়দগী হৌরগা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসন ফাওবা উ চারা কয়াসু থাখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি ইরোইশেম্বদগী হৌরগা হৈরাঙ্গোইথোং ফাওবা নম্বুল তুরেলগী খোংনুং শেংদোক্লবগী থৌরাং মখাদা লুপা ক্রোর ৯৫ চঙনা রিজুবিনেসন এন্দ কঞ্জার্ভেসন ওফ নম্বুল রিভর প্রোজেক্ট পায়খৎতুনা লাকখিবনি। প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা অমোৎপা ঈশিং চেনশিল্লক্তনবা ইরোইশেম্বদগী মোংশাঙ্গে ফাওবা তুরেলগী নাকল অনীমক্তা সিৱেজ পাইপ লাইন ফুল্লগনি। মোংশাঙ্গেদা লৈবা ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্টতা খ্বাইদগী নৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নরগা ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী থবক থৌরমশিং পায়খৎকনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

নম্বুল তুরেলগী মরু ওইবা অমসুং তোপ-তোপ্পা শক্তমগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, তুরেলগী ফজবা হেনগৎ-হন্দুনা লমকোয়বা লাকপা মীওইশিংগী মীৎয়েং ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

৫৫শুবা চাক্লাম খোঙচৎ নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচ এন এস) :

কুমজা ১৯৬৫গী ওগষ্ট ২৭তা খুৎশেমগী চাক তাঙবগী মায়োক্তা মহৈরোয়শিংনা হৌখিবা ঈহৌদা মহৈরোয় য়াওনা মীওই ৪ লৈখিদবা থৌদোক অদুবু নীংশিংদুনা চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না শীন্দুনা ৫৫রকশুবা চাক্লাম খোঙচৎ নীংশিং নুমীৎ থৌরম লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে।

AMSU
55th HUNGER MARCHERS' DAY
MANIPUR

পিশুম চীংঙা মচাদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী নীংশিং খুভমদা এমসুগী প্রসিদেন্ট পিটর লাইশ্রমনা লুচিংদুনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্লগা চাক তাঙবগী ঈহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মহৈরোয় ওইনাম নবকুমার, লাইশ্রম চাওভল, নামৈরাকপম প্রমোদিনী অমসুং ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী দ্রাইভর ৱাইখোম নিলামনিগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

৫৫রকশুবা চাক্লাম খোঙচৎ নীংশিং নুমীৎ অসিগী মপুং ওইবা থৌরমদি দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা এমসুগী ওফিসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এমসুগী প্রসিদেন্ট পিটর লাইশ্রম, লৌরেম্বম দিলিপ, ঐচ আর এগী এগজিক্যুটি দিরেক্টর বব্লু লোইতোংবম অমদি এমসুগী এদভাইজর ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

লুচিংবা হাইপৌ জাদোনাংগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎচরি : কোরকোম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ :

অথৌবা জাদোনাংনা লৈখিদবা নুমীৎনা লাকপদা লোয়লম শন্দোকপা বৃটিশকী মায়োক্তা লেপখিবা ঐখোয়গী ফুরুচা ওইরিবা লুচিংবা হাইপৌ জাদোনাংগী মফমদা কোরকোমনা ঈকায়খুম্নবা উৎচরি হায়না কোরকোমগী পব্লিসিটি কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কোরকোমগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর এম শক হেননা খুৎয়েক পীরগা থাদোরকখিবা কোরকোমগী পব্লিসিটি কম্মিটিগী চেরোল অদুনা হায়, ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর (কংলৈপাক) অসিদা মৈহৌরোলদগী খুন্দামিন্নরক্লবা ফুরুপ কয়ানা ঙসিসু পুন্না হিংমিন্নরি। তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী চৎন-কাঙলোন অমদি মানা মানা পামজবা পুন্সিরোলদা হিংদুনা মশা-মশাগী শক্তম ঙাক্তুনা হৌজিক ফাওবা চথরক্লি। অদুবু ঐখোয়গী পুৱারীদা হঙ্গৎনা য়েংবদা মরক মরক্তা মীতোপনা ইরমদম অসিবু খুদুম চন্দুনা ঐখোয়গী শক্তম অমদি পুন্সিরোলদা শীংনবা কয়া থেংনখি। মসিগুম্বা য়ৈখাই থিনগাইনবা হোৎনরকখিবা অসিগী মায়োক্তা ঐখোয়গী মতমদুগী মীরোল কয়ানা লেপখি। মখোয়শিংগী অদুগী মনুংদা জালিয়াংরোংশিংগী লুচিংবা ওইখিবা হাইপৌ ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

@1.80% অপীকপা শেন্দোইদা @1.80%

সনা Bandhop লৌজরি

ঙসি মালেমগী ওইনা Covid-19 না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানরবা মতমসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক মতেং খরদং ওইরসু পাঙজবা ওইনা অপিকপা শেন্দোইদা সনা বন্দান লৌজরি।

সনা সন 1 দা ₹ 7000 দগী ₹ 8000 ফাওবা লৌবা য়াগনি।

শেন্দোইনা 100 দা 1.80% খক্তনি।

করিগুম্বা অদোমগী হান্না অচৌবা শেন্দোইদা সনা Bandhop থম্বখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হন্দোকপীরগা, ঐখোয়গী অপিকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।

For details, Please contact

Govindajee Gold Mortgage,
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building,
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, Imphal East
7085917479

@1.80% Only.

HL-B/6330/26th aug to 25th sept

꯱꯹꯵꯴ [illegible] / অথুবা মতমদা থা ৩ (অহুম)গী তলব পীথোকপীয়ু

মণিপুর লৈঙাক্কী পাৱর দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরম্বা শিন্মীশিং অসিবু লৈঙাক্লা কম্পেনি ওনখ্রবা এম. এস. পি. সী. এল. অমদি এম. এস. পি. দি. সী. এল. দা দিপ্যুটেসন ওইনা চৎখ্রবা শিন্মীশিংগী জুন, জুলাই অমসুং আগষ্ট থা ৩ (অহুম)গী তলব পীবীদবা হায়বসে শিন্মীশিংগী অৱাববু খঙবীদবা য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়ননা পেন্দবা ফোঙদোল্লি। মরম অদুনা কম্পেনি অনীসিগী শিন্মীশিংগী ৭শুবা পে রিভিজনগী অনৌবা থা অহুমগী তলব লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থাগী তাং ১০, ২০২০ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা পীথোকপীনবা শিনবীয়ু। করিগুম্বা অথুবা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোকপীদ্রবদি শিন্মীশিং অসিনা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লক্লবা শেম শারে হায়না মরী লৈনবশিংদা য়ুনিয়ননা খঙহঞ্জরি।

Sd/- **T. Lamphel Meitei**
General Secretary,
The Manipur Electricity Employees' Union (MEEU)

HL-P/7465/28 & 29

HL Poll

Q: Wahikna landarakpadagi amang-ata thokkadouriba louphamsing kannaba leingakna matik chaba thourang loukhatlakkani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Leingakna loan pibana maram oiraga Street Vendorsinggi awaba kokhanba ngamgani haina louba yarabra?

Yes	0%	No	100%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.৯৩ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.৭২ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- ষ্টেজ কনানা শাই, সম্পেন্দ তৌ।
- [illegible]



- সারগী ইচানুপানা থীকা লৌরগা শাবনি, সার।
- [illegible]

HL-B/6337/28

ꯏꯔꯦꯡꯒꯣꯝ [illegible]

"FOUNDATION STONE LAYING CEREMONY"

CONSTRUCTION OF 375 NOS. OF SURFACE MINOR IRRIGATION SCHEMES UNDER PMKSY-HKKP,
550 NOS. OF GROUND WATER IRRIGATION SCHEMES UNDER PMKSY-HKKP-GW
&
CONSTRUCTION OF 151 NOS OF INFRASTRUCTURE PROJECTS IN MINORITY CONCENTRATED AREAS UNDER PMJVK
WORTH RS.647 CRORES

by

SHRI NONGTHOMBAM BIREN SINGH
Hon'ble Chief Minister, Manipur

on the 28th August, 2020
at CITY CONVENTION CENTRE, IMPHAL

Organised by:

MINOR IRRIGATION DEPARTMENT & MINORITY AFFAIRS DEPARTMENT
GOVERNMENT OF MANIPUR

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫